ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯲꯱, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯶꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, দিসেম্বর ২১, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২৬৪শুবা মশীং

# কেস মশীং হন্থরকপা

## হন্থরকপগী মতিক চাবা মরম করিনো হায়বা থিদোকহন্নিংই

কুমজা ২০১৯গী অরোইবা শরুক্তা চিনাগী ৱুহান সিটিদগী শন্দোকপা হৌরকখিবা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎনা মালেম পুম্বগী মীয়ামদা মখল মখা কয়াগী চৈথেংশিং পীরি। চহী অসিগী মার্চ ২৪দা মণিপুরদসু কোভিদ-১৯গী অহানবা কেস থেংনখ্রবা মতুং দিসেম্বর ২০ ফাওবদা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশীং ২৭,৬৪৬ শুখ্রে। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা লৈখিদবা মশীংনা ৩৩৭ য়ৌরে। লায়না-লাইচৎ অসিবু লাকশিন্ননবা হোৎনবদা মণিপুর লৈঙাক্লা ষ্টেটকী থাক্তা, এসেমব্লী সেগমেন্টকী থাক্তা, দিষ্ট্রিক্টকী থাক্তা লোকলগী থাক্তা কোভিদ এৱ্যের্নেস কম এনফোর্সমেন্ট কম্মিটিশিং শেমদুনা মীপুম খূদিংমক্লা লৌফম থোকপা থৌদাংশিং লৌহন্ননবা অমদি ৱাখল তাহন্ননবা এৱ্যের্নেস পীবগী থবকশিং পাঙথোকপসু লৈখ্রে। হৌজিক হৌজিকসু লায়না-লাইচৎ অসি লাকশিন্ননবা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা নাইট কর্ফিয়ু থল্লি। মালেমদা অহানবা ফাইজর কোভিদ-১৯ ভেক্সিন বৃটিশ নুপী অমদা কাপখ্রবা মতুং য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সতা মাস ভেক্সিনেসন তৌবা হৌখ্রে। তোঙান-তোঙানবা লৈবাক কয়াদসু ভেক্সিন অসি কাপ্পগী থবকশিং পায়খৎপা হৌনখ্রে। লৈবাক অসিদসু মথং চহীগী জন্যুৱারী থাদগী মাস ভেক্সিনেসন তৌননবা পান্দম থল্লি। অদুমকপু হৌজিক ফাওবগী ওইনা করম্বা মতমদগী মাস ভেক্সিনেসন তৌবগী থবক চপ চানা হৌগদগে হায়বদুদি ওফিসল ওইনা লাউথোক্ত্রি। মণিপুরদসু অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন অসি হেল্থ ক্যের ৱর্কর লিশিং ৪১ রোমদা কাপ্পনবা শেম-শারি।

মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং অসি থা খূদিংগী হেনগৎলকখিবনি। চহী অসিগী ওগষ্ট, সেপ্টেম্বর, ওক্টোবর অমসুং নবেম্বর থাগী ওইনা অয়াম্বা নুমীৎশিংদা নোংমগী ওইনা কেস ১০০গী মথক্তা থেংনদুনা লাকখিবনি। দিসেম্বর ১দগী দিসেম্বর ১৩ ফাওবদসু নুমীৎ খূদিংগী কেস ১০০ গী মথক্তা থেংনখি। দিসেম্বর ৬তদি কেস ২১৬ ফাওবা থেংনখি। অদুবু দিসেম্বর ১৪দগী দিসেম্বর ২০ ফাওবা হায়বদি নুমীৎ ৭নি অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী কেস মশীং অসি খঙহন হন্থরক্তুনা ১০০গী মখাদা লৈখ্রে। হৌখিবা দিসেম্বর ১৪দা কেস ৫৪, দিসেম্বর ১৫দনা কেস ৮৩, দিসেম্বর ১৬তনা কেস ৮১, দিসেম্বর ১৭তসু কেস ৮১, দিসেম্বর ১৮দনা কেস ৮৬, দিসেম্বর ১৯দনা কেস ৫৮ অমসুং দিসেম্বর ২০দনা কেস ৪৮ খক থেংনখি। হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসিদা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা এদমিট তৌবগী চাং হন্থরকখ্রে। ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না মৈত্রমদা লৈবা য়ুনাক্কো স্কুল, লম্ফেলপাৎতা লৈবা আর দি ৱিং, ইম্ফাল ৱেষ্টকী খুমন লম্পাক্তা লৈবা বাল ভবন, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংজিংদা লৈবা লমদিং হায়র সেকেন্দরি স্কুল, নোনে দিষ্ট্রিক্টকী রেংপাংদা লৈবা মোদেল রেসিদেন্সিএল অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ন্যু লমকাদা লৈবা সটভাবনা মান্দপতা হাংবা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংসু পেসেন্ট মশীং এদমিট তৌবগী চাং হন্থরক্লে হায়না মখা তানা মথৌ পাঙথোকপা লেপ্লগনি হায়খ্রে। হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসিদা নোংমদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী মশীং অসি ১০০ য়ৌরক্তবা অসিমক পুন্নমক্কী লাইবক ফবনি। ফীভম অসিনা লায়না-লাইচৎ অসি তপ্পা তপ্পা লাকশিল্লকপগী খুদম অমনি হায়নসু লৌবা য়াই। নাকল অমরোমদা মীয়াম্না টেষ্ট তৌবগী চাং হন্থরকপনা কেস মশীং হন্থরক্লিব্রা হায়বসিসু খন্ননিংঙাইদি ওইরি। হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টরনা লুচিংবা টিম অমনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা লৈখিদবশিংগী মরুওইবা মরম থিবগী সর্ভে চথখিবনি। লোয়ননা লৈখিদবা অয়াম্বা মতম থেংথনা লায়েংবা লাকপদগীনি হায়নসু ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবনি। লৈখিদবগী মরম থিদোকখিবা মতৌ অদুগুম্না হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসিদা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং হন্থরকপগী মতিক চাবা মরম করিনো হায়বসু মরী লৈনবশিংনা থিদোকহন্নিংই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### হোম আইসোলেসন তৌরিবা মীওইশিংগীদমক লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চংহন্নিংই

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লমদম অসিদা শিরিবা মীওইশিং অসিগী মরক্তা মতম চানা অনা-লায়েংশঙশিংদা লায়েংবা লাকপা ঙমদবা মীওই কয়াসু য়াওরি হায়না হেল্থ দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংবু মশা-মশাগী ময়ুমদা হোম আইসোলেসন তৌবা য়াগনি হায়খিবা ৱাফম অদু মীওই খরনা তরাম্না ওকখি। অদুগা মীওই খরনা ৱাফম অদু য়ানখিদে। অদুবু মতাং অসিদা হায়জনিংবা ৱাফমদি, ঙসিদি মীয়াম্না হোম আইসোলেসন তৌবা পান্নরক্তুনা লমদম অসিগী অয়াম্বা মফমশিংদা হোম আইসোলেসন তৌনরি। অদুবু হোম আইসোলেসন তৌরিবা মীওইশিং অসি কনানা য়েংশিনবিরি হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি। হোম আইসোলেসন তৌবদা মতিক চানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ঙমদবা অমদি হকশেলগী মতাংদা নোলেজ লৈতবা মরম্না মশা য়াম্না শোকচিল্লবা মতমদা হোস্পিটালদা পুখৎলকপা মীওই কয়া অমসু য়াওদবা নত্তে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা হোম আইসোলেসন তৌরিবা মীওইশিংবু চেকশিন্না য়েংশিনবিবগী তঙাইফদবা লৈ হায়জনিংই।

হকশেলগী মতাংদা খরা খজিক খঙবা মীওইশিংগীদি অমদি দোক্তরশিংগা অফবা মরী লৈনবা মীওইশিংগীদি থোইদোক্লা অৱাবা মায়োক্লরম্লোই। অদুবু মীচম মীয়ামদদি অচৌবা পোৎলুম অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

*অদোমগী - শাইখোম রোবিকান্দা, চলৌ ময়াই লৈকায়*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮

১) মণিপুরী সাহিত্যদা মশেক মঙাল নাইরিবা অইবা অমনা 'ফাগি ঙাইহাক নোক্লবা পোথানবা অয়াংবা মচল ওইবতা নত্তে অচুম্বা অমদি অশেংবা ফোঙদোক্লবা হক্লবা খূৎলায় অমসুনি' হায়রম্মী। অইবদু কনানো অমসুং মানা হায়রম্মীবসি (য়াওফম) কদাইদনো?

২) দি ফ্লেমিং স্বোর্দ ফোরএবর অনশিদেদ হায়না অহানবা ওইনা ফোঙখিবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা করি মমিং কৌদুনা কনানা হন্দোকপগে অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) অহানবা ওইনা মণিপুরগী মরমদা মণিপুরীদা (বঙ্গালি ময়েক্তা) ইবা লাইরিকসি করিনি হায়না লৌনবগে, অমসুং করম্বা চহীদা ফোঙবনো?

৪) মণিপুরী ৱারীমচাগী লাইরিক করম্বা চহীদা অহানবা ওইনা পুথোরকপগে? অইবনা কনানো?

৫) "সুন তরঙগী মথক্তা/মৈরাগী মশক কুমনা/ঙান্নশানা লৈরিবী নঙবু/পায়মা ঐনা নুংচঙবী/তিল্লাং খোয়দাবীবু থোকলরে,/পেম্মা নঙবু কনানো?" য়াম্না শীংথানরিবা শৈরেং অমদগী লৌথোরকপা মতেকনি। করি শৈরেংদগীনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

---

## লৌমীশিংগী কাখল

# লমদমসিদা হৱাই থাবা - পুথোকপগী চাং ৱাৎপা

**ডো. এম থোইথোই সিংহ**

ফৌ লোকখ্রবা মতুংদা লৌবুক্তা পাক্লা হৱাই মঙ্গল থাবগী থবক চহী খুদিংগী মণিপুরগী অয়াম্বা মফমশিংদা পাঙথোকই। পোথোক্কী চাং ৱাংখিবা অমসুং মায় পাকখিবগী পাউ ইতা তাদে। কূপ্লা হংনরুবদা লায়না-তীলনানা হাৎখিবগী ৱা ওইনা অয়াম্বনা ঙাঙনৈ। মনা অমসুং হৱাইদা কোকফাই অস্তৌবনা কুপশিনখিবা, কোহ্লিং কবী লায়নানা লাকশিনখিবা নৎত্রগা থবাক হুৎপী তীলনা মাঙহনবা, হৱাইগী অনৌবা মতোন্দা ৱাহিক্লা য়োমশিনবা অমসুং পান্বী লেপকং তৌবননি হায়নরকই। তশেংবমক্তি লায়না-তীলনা লাকশিনবসি অরুবা ৱাফম অমদি নত্তে। থাবগী কাঙলোনবু চুম্লবদি লায়না তীলনাগীদমক থোইনা মীপাইনীংঙাই ওইদে।

লমদমসিদা হৱাই মায় পাক্লা পুথোক্তবগী মরম কয়ামরুম লৈ : ১) অয়াম্বা লৌফমশিং খরা শিন্তক তৌই। অশিনবা লৌফমদা মখল অমত্তগী হৱাই চানদে। হৱাই থাবা য়ানবগীদমক শুনু চাইবা শেল য়াম্না চংই। শিনবগী চাং হন্থবা মফমশিংদবুদি খরমখৈ থানৈ।

শিনবা খরা হন্থহন্নবা ফৌ থাবা মতমদা দি এ পি শীজিন্নবগী মহুত্তা সিঙ্গল সুপর ফোসফেট ওইনা শীজিন্নহৌবনা লৌবুক্কী অশিনবা খরমখৈ হন্থহনবতা নত্তনা পান্বীদা সলফর অমসুং অতৈ মাইক্রো ন্যুত্রিএন্টশিংসু ফংহল্লি। সিঙ্গল সুপর ফোসফেট ওইনা শীজিন্নসি।

(২) ফৌ লোকপদা দিসেম্বর থা য়ৌগল্লি। ফৌ লোক্লবা মতুংদা লৈবাক খোইবা অমসুং হৱাই থানবা হোৎনবা অরায়বা নত্তে। লৈবাক চোৎলিঙৈদা খোইবা য়াদবা মরম্না থেংনা খোইবা তারকই।

ফৌ খাওগদবা নুমিৎ ২০-২৫নি ৱাৎলিঙৈদা ঈশিং শিৎ নান্না থাদোকহৌবনা ফৌদা য়াওরক্কদবা ঈশিং ঈনিলগী চাং হন্থহল্লি। কোত্তা ফৌজুমগী চাং হন্থবদা নত্তনা ফৌ য়ৈখ্রবা মতুংদা লৌবুক্তা শেম শাবা নুংঙাইহল্লি। ঙন্না খোইবসু য়াহল্লি।

ওক্টোবর থাগী মতুং চয়োল অমা থেংথরিবমখৈ হৱাইগী পোথোক চাদা মরি হন্থে হায়না পানৈ। থা অমা থেংথনা হৱাই থাবদা থোকফম থোকপা পোথোক্কী চাদা ১৬ হন্থগনি। থেংবনা পোথোক লৈহন্দে।

হৱাইসু থানীংবা ফৌগী লৌফমশিংগীদমক্তদি অতেনবা ফৌ মখল থানবা হোৎনগনি। খোইদোকপা য়াবা লৌফমশিং খোইদোক্লগা হুনগনি। খোইদোকপদা খরা নপকন্দবা ঈনিল লৈবা মফম ওইরগদি খোইদনা হুনবা য়াই। ত্রেক্টরনচিংবা সীদ দ্রিল শীজিন্নদুনা খোইদনা হৱাই থাবা য়াই। চহীসিদা লন্নাই মীওই কয়া অমনা সীদ দ্রিল লৈনখ্রে হায়বা ৱাফমসু লৈরে। খোইদোক্ত্রিবা লৌফমদা হৱাই অমসুং হার মতম অমত্তদা ইঞ্চি অমা লুনা লৈবাক মনুংদা থাদদুনা ঈনিল ফংহল্লি অমসুং অতেনবা মতমগী মনুংদা ইরায় লায়না হৌহল্লি।

৩) লৌউ-শিংঊা মরী লৈনবা লোইশঙশিংনা চহী খুদিংগী মরূ মরাং য়াম্না পুশিল্লকই। লৌমীশিংদা ফংহন্নবা হোৎনৈ। বন্দ-ব্লোকেন্দ তোইবা লম ওইবনা মরূ-মরাং মতম চানা য়ৌরকখিদবসু য়াওই। মসিগী মথক্তা মরূ-মরাং য়েনবীনবা পোলিটিক্স তৌবা মীওই অমসুং লন্নাই লূপ মশীং য়াম্না লৈ। মখোয়না য়েন্নবা হোৎনরকপদা অমুক্কসু থেংথহল্লি। মসিদা নত্তনা মরূ-মরাং য়েনবগী থৌরমদা তিল্লিবা মীওই পূম্বা থুংনবা হোৎনরকপদা কৌটা অমদগী পংহেন হেনবা ঙমদে। তশেংনা থাগদবা মীওইদুদি ফি কল্লম্লগা, লৌদনা চৎখিনি। দরকার লৈতনা লৌহৌবা মীওইদুনা অমুক মানা পীনীংবা মীওই থিরক্কনি। লৈত-লৈত্রগনা মনীং-ময়া, য়েন্নখানচিংবা মফম অমদা কূপ্না হুল্লম্বা তোইনা থেংনৈ। পূন্নমক মাঙমিন্নদুনা লৈরি। হৱাইনা লৌবুক য়ৌবা ঙম্লক্তে।

লৌমীশিংদা মরূ-মরাং য়ৌহনবগী থবকসি এক্সটেন্সন ফঙ্কস্নরিশিংদা রেস্পোন্সিবিলিটি ফিক্স তৌশিনবা ফৈ। *'লৌউ-শিংঊদা শীজিন্নগদবা মরূ-মরাংশিং লেম্না পীদবা, মমিংগী ওইরবসু শেল খরা থিহনবা ফৈ। লেম্না পীবা পোৎ লৌবীনবা য়ামগনি, য়েনবীনবসু য়ামগনি'।* শেল খরা থিহল্লবদি দরকার য়াম্না ওইবা মীওইদুদা য়ৌহনবদা লায়গনি। মতম চানা থাগনি। চপ চাবা লৌমীদা মতম চানা মরূ য়ৌহনবদা পূম্নমক্লা মতেং পাংবীবা তঙাইফদে।

৪) লৌবুক্তা পাক-শন্না থানরিবা মফমশিংদা পীনবা ঈশিং অমসুং ঈরম লৈতে। শেমসু শেমগন্দে। নোংকন্না তারকপা মতমদা তূশিনবা ঈশিংগী চিথফম শেমহৌদবনা ঈশিংনা লাকশিনখ্রবা হৱাইশিং ঙাংশিল্লি, খুইথরক্তুনা শিবা কোঙ্গাইনি।

ফুট ১০ পাকপা ফৈদোমশিং শেমগনি। অহেনবা ঈশিং চিথিখিনবা অতোং-অকূৎ য়েংদুনা, মফম চাবা য়েংলগা লৌরিশিং কক্কনি। হৱাই মপাল লাক্লমদাইদদি শোয়দনা ঈশিং পীগনি।

৫) হুনফম থোকপা হৱাইগী চাংদগী হেন্না হৱাই হুনবা, য়াম্না কূবা, তোয়না থেংনরিবসি অরৈবা হৱাই ওইগন্দে। লৈরগা হুনবা হৱাইশিংগী চাংদি চুমগল্লি। পরিদা কিলো ৭৫-৮০ ফাওবদা ওইগল্লি।

হৱাই কূনা হৌরবদি মশা লোঙগন্দে অমসুং মপাল কেনগল্লি। চুম্না থানবা হোৎনবা ফৈ।

৬) হৌরবা মতুংদা মখা থাবা মনাশিং ঙাংশিল্লক্তুনা পান্বীদুগী মতোন খক শংনা লৈহৌবা মতুং তারকপদা পান্বীদুমক শিবগী লায়না অমসুং পান্বী খুইথরকপগী লায়নাশিংগী ওইনা নারবা মতুংদা হীদাক কাপ্পা মায় পাক্কন্দে। হুন্দ্রিঙৈদা মরূদা হীদাক তোৎহৌগনি। কোকফাই লায়নাগীদমক কোকফাই হীদাক ত্রাইকোৱেল গ্রাম ১০ মরূ কিলো খুদিংদা তোৎহৌগনি। অঙনবা মতমদা তাবা তীলগীদমক তীল হীদাক তোৎহৌবা য়াই। হার হাপ্পা হন্থনবা অমসুং লৈবাক লৈশা ফগাৎনবা ৱেলরাইজোসু তোৎপা য়াই। অসুম্না মখল কয়াগী পোৎলমশিং তোৎলকপদা তোৎনীংবা অমা হান্না তোৎপা য়াদবনিনা

| | |
|---|---|
| কোকফাই হীদাক - | তীল হীদাক - রাইজোবিয়ম |
| (eg. Trichowell) | (eg. Wellrhizo) |

মথং মনাও নাইনা তোৎকনি।

থমজনীংবা ৱাফমদি মণিপুরগী ওইনা হৱাই পুথোক্তে। থরাক ওইনা হেকখিবা ঙাক্তনি। ইন্দিয়াগী ওইনসু চহী খুদিংগী মীরৈবাক্তগী হৱাই পুশিল্লকই। মপান লমদা শেল য়াম্না থাদোকখি।

হৱাই থাবনা শেল চৎপা হন্থহনবদা নত্তনা লৈবাক লৈশাসু ফগাৎহল্লি। কুমসি থেংনখিবা খুদোং চাদবশিং মথং চহীদা থেংনদনবা হোৎনসি। ●

---

# মাইক্রো ন্যুত্রিএন্টকী মরমদা খঙজিনবদা কান্নবা খরা

**- এস সুমঙ্গল -**

পান্বীনা মপূং ফানা শাহৌ ফন্না হৌদুনা মহৈ নিংথিনা য়ানবা ঙম্নবগীদমক তঙাইফন্দনা চঙদবা য়াদবা মচিঞ্জাক মচল ১৮গী মনুংদা মখোয় মাপন অমদি য়াম্না য়ামদনা চঙই হায়দুনা মাইক্রো (য়াম্না পিকপা, খজিক্তমক চঙবা) ন্যুত্রিএন্ট হায়না খঙনৈ। য়াম্না চঙদে হায়দুনা মরু ওইদে/তঙাইফন্দবা ওইদে হায়বদি নত্তে। মখোয়শিং অদুদি আইরন, মেঙ্গানিজ, জিঙ্ক, কোপর, বোরোন, মোলিবদেনম, নিকেল, কোবাল্ট অমসুং ক্লোরিন অসিনি। অতোপ্পা মচল খরা - খুদম ওইনা সিলিকোন, ভেনাদিঅম অমসুং সোদিঅম হায়রিবশিং অসিনা পান্বী খরগীদি শাহৌ ফহনবা থেংনৈ হায়বগী পাউদম লৈ। পান্বী নত্তবা মীওইবা য়াওনা শাশিং (এনিমেল) গী ওইনা হায়রবসু পঞ্জখ্রিবা মচল খুদিংমকসি তঙাইফদে লোয়ননা পান্বীগী ওইনদি মথৌ তাদবা শাশিংগী ওইনদি তঙাইফন্দবা খরা অমসু লৈরি। মখোয় অদুদি সিলেনিঅম, ক্রোমিঅম, টিন, আইওদিন, ফ্লোরিন পনবা য়াই। পান্বী অমগা অমগা খেন্নবগী মতুংইন্না মখোয়শিং অসিগী চঙগদবা চাং খেন্নৈ। মখোয়গী চপ চাবা চাং অমদা পান্বীশিংনা ফংদ্রবদি পান্বী মপূং ফানা হিংবা ঙমদে। ৱাৎলবসু ফত্তে, হেল্লবসু পান্বীদা হূ ওই। হায়রিবা মচলশিং অসিগী খঙজিনবদা কান্নবা ৱাফম খরা নৈনদুনা য়েংসি।

মাইক্রো ন্যুত্রিএন্টশিংগী ৱাফম মরু ওইনা খন্নরক্লিবা অসিগী মরমসি মখাগী ফীভমশিং অসিনা ওইহল্লকই। (১) লৌফমশিংদগী অহেনবা পোথোক পুথোক্লবা হোৎনরকপনা মাইক্রো ন্যুত্রিএন্ট চাং ৱাংনা লৌথোকখিবা। (২) ষন্থি ষণয়ুংগী, কম্পোষ্টকী হার শীজিন্নবগী মহুত্তা মাইক্রো ন্যুত্রিএন্টকী শরুক য়াওদবা খূৎশেমগী হার কা হেন্না শীজিন্নরকপা। (৩) অফবা খূৎশু খূৎলায়গী মতেংনা টেষ্ট তৌদুনা লৈবাক লৈহাওদা হান্না খঙনরমদবা মাইক্রো ন্যুত্রিএন্টকী অৱাৎপা খঙনরকপা লোয়ননা (৪) মাইক্রো ন্যুত্রিএন্টতি ৱাৎলবা অদুবু ৱাৎপগী খুদমদি উত্তবা মশা ফবা মানবা পান্বী মনা-মশিং চাবনা হকচাংদা অৱাৎপগী লায়না দেফিসিএন্সিগী লায়না নাবা থেংনরকপা অসিনচিংবা পনবা য়াই।

**অতোপ্পা খঙজিনবদা কান্নবা ৱাফম খরনা মখাগী অসুম্না থম্বা য়াই।**

(১) মাইক্রো ন্যুত্রিএন্ট অসি য়াম্না য়ামদনা চঙলবসু ৱাৎলবদি পান্বী চাউবা হেন্দবা, চাথোক হন্থবা, মতোন কংশিল্লকপা/শীজিল্লকপা, পান্বী শিবফাও য়াওরকপা য়াই। অতোপ্পা মাইক্রোন্যুত্রিএন্টতা চেনবা মগুনশিং পনবা তারগদি খজিক্তং মতম চানা চাইবিহৌবা মতমদা পান্বীনা নিংথিনা চাথোক পুথোকপসু ঙমহনবা অসিনি হায়বা তাই। (২) লৌউ বৈগ্যানিকশিংনা মচলশিংসিগী লৈবাক্তা য়াওবগী চাং অসি চাং অহুম থোক্লা থন্মী - ক) অৱাৎপা চাং (খ) চপ চাবা চাং (গ) অহেনবা হূ চেনবা চাং। (৩) মসিগী চাং অসি মেক্রো ন্যুত্রিএন্টশিংগী ওইনদি খরা চাউনা লৈবা থেংনৈ। হায়বদি খরা হেনবা নৎত্রগা খরা ৱাৎপদা খঙবা ঙমদে অদুবু মাইক্রো ন্যুত্রিএন্ট অয়াম্বগী ওইনদি চাং অসি য়াম্না য়ামদনা লৈ। হায়বদি খিত্তং ৱাৎপা নৎত্রগা খিত্তং হেনবদা হেক্তা ফোঙদোরকই হায়রি। খুদম ওইনা হায়রবদা বোরোনগা মোলিবদেনমগা ৱাৎলবা লৈহাওদা, মখল অনী অসিগী পান্বীনা লৌখৎপা ঙম্বা মওংদা লৈবা মখল অদুগী লৌ পরিদা য়াম্না য়ামদনা কিলো ৩-৪ খক চাইবদা পান্বীদা হূ ওইহনবা য়াই। অতোপ্পা মচল খরগীদি হূ চেনবা খঙদবসু য়াই। অমুক্সু ইন্দষ্ট্রি, ফেক্টরিশিংগী মুস্ম ফংবা মফমশিং, ওকথি কা হেন্না শীজিন্নবা মফম, কোপরগী কোকফাই হীদাক য়াম্না শীজিন্নবা মফম অসিনচিংবশিংদা কোপর অমসুং জিঙ্কক্কী হূ চেনবা চাংদা য়াওবা থেংনবা য়াই। (৪) ঈথৈসু লৈতবা, পি ঐচ ভেল্যু ৱাংবা অয়াকপা মফমদদি (মণিপুরগী ওইনদি লৈতে হায়বা য়াই) মোলিবদেনম য়াম্না ৱাংনা য়াওবা য়াই। করিগুম্বা মতমদা অসিগুম্বা মফমদা হৌবা পান্বী/নাপী-শিংনাশিংনা মচল অসি কা হেন্না হূ চেনবা মওংদা চুপখৎলম্বা য়াই। অসিদসু নত্তনা মসিদা শজিক চারুবা শা ষণশিংদা ফাওবা হূ ওইহনবা য়াই। অসিগুম্বা মফমদা বোরোনসু পান্বীদা মাঙহনবা মওংদা য়াওবা য়াই। মরম অসিনা মাইক্রো ন্যুত্রিএন্ট হাপ্পদা চেকশিনবা ফৈ।

মতাং অসিদনি সোইল টেষ্ট তৌবগী তঙাইমক ফন্দবা লাক্লিবসি। অৱাৎপা শরুক মেনখৎনবা লৈবাক্তা চাইবগী মহুত্তা মনাদা চাইবনা কান্নবা হেল্লি, অদুবু ওর্গানিক কম্পোষ্ট শীজিন্নবা, থারিবা পান্বীগী লেমহৌ-খাকশিং মাঙহন্দনা নিংথিনা লৈবাক্তা হঞ্জিনবিবা অসিনচিংবা কয়ানা লৈহাওদগী মাইক্রো ন্যুত্রিএন্ট মাঙবগী চাং হন্থহনবা য়াই।

(৫) করিগুম্বা মতমদা ঈশিং চনবদা শীজিন্নরিবা ঈশিংদা বোরোন, মোলিবদেনম অমসুং সিলেনিঅমশিংগী চাং অসি পান্বী খরবু মাঙনবা য়াবা চাংদা য়াওরম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। মতাং অসিদনি ঈশিংগী টেষ্ট তৌবগী তঙাইফন্দবা লাক্লিবসি।

**মাইক্রো ন্যুত্রিএন্টশিং অসিনা লৌরিবা মরু ওইবা থৌদাংশিং :** মাইক্রো ন্যুত্রিএন্টশিংসিনা পান্বীনা হিংবগী মরু ওইবা থৌদাং কয়া লৌই। অয়াম্বা মাইক্রো ন্যুত্রিএন্টশিংনা এঞ্জাইমশিংগী মথৌ পাঙথোকপদা থৌদাং য়াই। মচলশিং অসিনা অতোপ্পা তোঙান তোঙানবা মথৌশিংসু পাঙথোকই। খুদম ওইনা পান্বীনা মচিঞ্জাক শুংবা (ফোটোসিন্থেসিস) মতমদা থোক্লিবা ইলিমেন্ট অমগা অমগা পুনশিন্নবা খাইদোক্লবা রিএক্সন কয়াদা অমদি পান্বীনা মচিঞ্জাকশিংবু শীজিন্নবদা কোপর, মোলিবদেনম অমদি আইরননা অচৌবা থৌদাং য়াই। জিঙ্ক অমসুং মেঙ্গানিজনা এঞ্জাইমশিংনা পান্বীগী মচিঞ্জাকশিংবু তুমহনবা মতমদা এনজাইম অমসুং মচিঞ্জাক অনীগী মরক্তা থোং শাদুনা শম্নহনবদা মতেং পাংই। পান্বী অমসুং হিংকুপশিংগী মনুংদা নাইট্রোজেনবু মওং অমদগী অমদা ওন্থাং ওনশিন তৌবদা থৌদাং য়াই। মোলিবদেনম অমসুং আইরন অনী অসি নুংশিৎতগী নাইট্রোজেন ফাজিনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা এঞ্জাইম মখল অমা শেম্বদা চঙই। মোলিবদেনমদি অতোপ্পা এঞ্জাইম অমদসু য়াওই।

নিকেল অসিদি হাইয়র প্লান্টশিংগী চঙদবা য়াদবা মচল ওইনা খঙনরকপা কুইদ্রি। য়ুরিএজ কৌবা য়ুরিয়াবু এমোনিয়াগা কার্বোন্দাইওক্সাইদকা অনীদা ওন্থোকপা এঞ্জাইম অমা মথৌ পাঙথোকপদা থৌদাং য়াই। নিকেল ৱাৎপা হৱাই পান্বীশিংগী মনাদা অহেনবা য়ুরিয়া হূ ওইবা চাংদা তুংশিল্লি। নিকেল ৱাৎপা ফৌ, চুজাক, গেহুনচিংবা পান্বীশিংগী মরূ মতোন থোকপা ঙমদে।

জিঙ্ক অসি পান্বীশিংনা প্রোটিন শুংবদা থৌদাং য়াই, হোর্মোন মখল খরা শাবদা চঙই, লোয়ননা মপান্বীনা মপান শাবা অমসুং মহৈ য়ানবদা থৌদাং চাউনা লৌই। কোপর অমসুং মেঙ্গানিজনা পান্বীনা মচিঞ্জাক শুংবা, শ্বর হোনবা মতমদা থৌদাং য়াই অমসুং কোপরদি আইরন শীজিন্নবদসু শরুক য়াই। অসিদসু নত্তনা সেলশিংগী অকনবা শরুক লিগ্নিন শাবদা কোপর চঙই। বোরোনগী অশেংবা থৌদাং অসি তশেংনা খঙদ্রবসু মসিনা সেলশিং মচা পোকপদা, পান্বীনা ঈশিং চুপখৎপদা, পান্বীনা শুংবা চনাংগী শরুক মফম অমদগী অমদা পুথোক পুশিন তৌবদা থৌদাং য়াই হায়না থাজনৈ। আইরন্না পান্বীগী অশঙবা শরুক (ক্লোরোফিল) শেম্বদা অমসুং মাঙহনবদা শরুক য়াই লোয়ননা প্রোটিন শুংবদা থৌদাং লৌই অমসুং পারিপুরিগী মচাক ন্যুক্লিক এসিদ শাবদা শরুক য়াই।

ক্লোরিনগী মথৌসি তশেংনা পুথোকপা ঙমদ্রবসু মচিঞ্জাক শুংবা অমসুং মরা শেম্বদা থৌদাং য়াই হায়না লৌনৈ। কোবাল্টনা নুংশিৎতগী পান্বীনা হিংকুপশিংগা লোয়ননা নাইট্রোজেন ফাজিনবদা মতেং পাংই। মসি নত্তবা থৌদাং অতৈসু লৌই।

মরু ওইবা থৌদাং কয়া অমা লৌরিবা য়াম্না চঙদ্রবসু চঙদবা য়াদ্রবা মচল মাইক্রো ন্যুত্রিএন্টশিং অসিগী মরু ওইবা খঙদুনা লৈবাক লৈহাও চংয়েং তৌদুনা মখোয়বু চাং চানা শীজিন্নদুনা মশা ফবা পান্বী পুথোক্তুনা ঐখোয় মীওইবগা লোয়ননা ঐখোয়না লোয়রিবা শা-ষণশিং হকচাং ফন্না অমদি মশা মউ ফন্না, অৱাৎপগী লায়না নাদনবা হোৎনবগী তঙাইফন্দবা মতম ওইরে। ●

---

# লৌফম কন্নবগীদমক লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌবীয়ু

**ডো. ৱাইখোম জিতেন**

লৌউ-শিংঊগী শিনফমদা লৈবিরিবা লৌমী খুদিংনা মখোয়না পোৎ থাবদা শীজিন্নরিবা লৌফম অদু চাং নাইনা চাংয়েং তৌথোক্তুনা লৌফম অদুগী লৈবাক লৈহাওগী ওইরিবা ফীভম অদু খঙদোকপীরগা পায়খৎফম থোকপা থবক থৌরমশিং পায়খৎপীবা হায়বসি ঙসিদি তৌদবা য়াদ্রবা থবক অমা ওইরে। লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোক্কদৌরিবসিগী মরু ওইবা মরমদি মতিক চানা অহেনবা পোৎথোক পুথোক্লবা, শীজিন্নরিবা হারশিং অসিগী অহেনবা ঈশিংনা পুদুনা চৎখ্রগা অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎ মোৎশিন্দনবা, মথৌ তাবা চাং অদুদমক চাইদুনা অহেনবা শেল তিংহন্দনবা, লৌফম অদু তুং কোয়না লৌউ-শিংউ তৌবা য়াবা মফম ওইনবা, লৌফম অদুদগী পুথোক্কদৌরিবা মহৈ-মরোংশিং অদু ঐখোয়গী হকচাংদা মচি ওইগদবা মচলশিং চাং চানা য়াওবগা লোয়ননা হুগী মচাকশিং য়াওদবা পোৎলম ওইনবনি।

লৌউ-শিংউবগী শিনফম অসি মায় পাক্লবগীদমক চঙবা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিংগী মনুংদা লৈবাক লৈহাওনা খ্বাইদগী হেন্না মরু ওই। মরম অসিনা লৌফম অদু চাংয়েং তৌথোক্তুনা লৌফম অদুদা য়াওরিবা তোঙান তোঙানবা পান্বীগী মচিঞ্জাকশিং খঙদোকপীদুনা মদুগা চান্নবা মহৈ মরোংশিং খনবীদুনা পোৎথোক মরাং কায়না পুথোক্লবা হোৎনবা হায়বসি তৌদবা য়াদ্রবা থবক অমনি। লৌমীশিংগী পোৎথোক হেনগৎহন্নবা অমদি মমাঙদা থাখিবা পান্বীশিংনা লৌথোকখিবা পান্বীগী মচিঞ্জাশিং অদুগী মহুৎ শীনজিন্নবা ষন্থি-ষণয়ুং, নাপী-শিংবীগী পথু-পুমথবগী পোৎলম (এফ ৱাই এম/কম্পোষ্ট) নদি কোন্নবা ঙমদবনা খূৎশেমগী হারশিং অসি হৌজিক ফাওবগীদি তঙাইফন্দনা শীজিন্নদবা য়াদ্রি। অদুবু অসিগুম্বা পান্বীগী মচিঞ্জাকশিং অসিবু শীজিন্নবদা ইনবীগদবা কাঙলোনশিং খুদম ওইনা হায়রবদা করম্বা মখলগী হার, কয়া য়াম্না, করম্বা মতমদা অমদি করম্বা মওংদা চাইবীগদগে হায়বসি ইন্দবা মতমদা অহেনবা হারশিংনা ঈশিংদা তুংদুনা য়াওখ্রগা লৈনাংগী ঈশিং অমদি অকোয়বগী পাৎ-তুরেলশিং মোৎশিলহল্লি। অসিগুম্বা মোৎশিল্লবা ঈশিংদা লৈবা জীবশিংনা হিংবদা অকায়বা পীবগা লোয়ননা অসিগুম্বা ঈশিং অসিবু শীজিন্নরিবা মীওইশিংদসু অকায়বা পী। খুদম ওইনা হায়রবদা লৌফমদা য়ুরিয়া কা হেন্না শীজিন্নবনা লৌফমগী অকোয়বদা লৈরিবা ঈশিংদা নাইট্রেট, নাইট্রোজেন য়াওবগী চাং ৱাংখৎহল্লি। অসিগুম্বা নাইট্রেট, নাইট্রোজেন অসিনা ঈশিং লিটর অমদা মিলিগ্রাম ১০ অমসুং মসিদগী হেন্না য়াওবা মতমদা ঈশিং অদুবু শীজিন্নরিবা মীওইশিংদা কেন্সর নাহন্নবগী মরম ওই।

অমরোমদা অমুক খূৎশেমগী হারশিং অসি কা হেন্না শীজিন্নবনা লৈবাক মনুংদা য়াওবা লৈবাক লৈহাও পুথোকপদা মতেং পাংলিবা অহিংবা জীবশিংগী মশীং হন্থহল্লি। অসুম্না অহিংবা জীবশিং অসি লৈরক্তবনা মরম ওইদুনা লৌফম অদু পোৎ থাবা য়াদবা মফম অমা ওইরক্তুনা অশিবা লৈবাক হায়বদু ওইহল্লি।

চাংয়েং তৌথোক্তুনা ঐখোয়না দরকার লৈরিবা হার অদুগী মখল অমসুং চাংশিং চানা চাইবনা অহেনবা শেল তিংগদবদগী কনবা ঙমই। অখঙ অহৈশিংগী পাউতাক ইন্দনা হার পংচাইদা চাইবনা লৌফম অদু কা হেন্না শিনজিনবা নৎত্রগা য়াকশিল্লকপগা লোয়ননা পান্বীগী মচিঞ্জাক মখল খরনা ৱাংমনবা অদুগা খরনা নেম্মনবনচিংবা ওইরকপা য়াই। অসুম্না তৌবা অসিনা লৌফম অদু পোৎ থাবা য়াদবা মফম অমা ওইরক্কনি।

হাপফম থোকপা হারগী মখলশিং অসি নেম্না নৎত্রগা হেন্না হাপ্পা মতমদা ঐখোয়না পাল্লিবা পোৎথোক অদু ফংবা ঙম্লোই। নেম্না হাপ্পনা মরম ওইদুনা পান্বীনা দরকার লৈবা চাং অদু য়ৌদদুনা পোৎথোক হন্থহল্লি অদুগা হেন্না হাপ্পীবনা লায়না মখল কয়া নাহন্নবগী মরম ওইদুনা লায়নাশিং অদুনা পোৎথোক হন্থহনবগা লোয়ননা লায়না অদুদগী কন্নবা কাপ্লিবা হীদাকশিংনা পান্বী অদু হু চেলহল্লি অমদি শেঞ্জং হেনহল্লি।

মীওইবনা মশা মউ ফন্না লৈনবা, পুন্সি নুংশাংনবগীদমক মীওইবদা মথৌ তাবা মচি ওইবা মচাকশিং চাবা তঙাইফদে। অসিগুম্বা মচি ওইবা মচাকশিং অসি ঐখোয়না চারিবা পান্বী অমদি শা-ঙাদগী ফংগদৌরিবনি। পান্বীশিংনা লৈবাক্তগী মীওইবগী দরকার লৈবা মচাকশিং অসি লৌখৎলি অমদি অসিগুম্বা পান্বীশিং অসি ঐখোয়না চাই নৎত্রগা শা-ঙানা চারবা মতুংদা শা-ঙাশিং অদুদা য়াওই। অসুম্না মীওইবনা দরকার লৈবা মচাকশিং অদু শা-ঙা ফাওরগা লৈবাক্তগী ফংই। মরম অসিনা মীওইবনা দরকার লৈবা মচি ওইবা মচাকশিং অসিনা লৌফমদা মরাং কায়না য়াওদবা মতমদা পোৎথোক হন্থহনবা খক নত্তনা মফম অদুদা হৌরিবা পান্বীশিং অদুদা মীওইবনা দরকার ওইরিবা পোৎলমশিং অদু মরাং কায়না য়াওরক্তদুনা ঐখোয় মীওইবনা দরকার লৈরিবা চাং অদু য়ৌনা ফংবা ঙমদে। মরম অসিনা মীওইবনা মশা-মউ ফন্না, পুন্সি নুংশাংনা লৈনবগীদমক লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোক্তুনা পায়খৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাংশিং মতম চানা পায়খৎপীগদবনি।

অসুম্না পোৎথোক হেন্না পুথোক্তুনা লৌফম অদু মতম শাংনা শীজিন্নবা য়াবা মফম অমা ওইবগা লোয়ননা মশা-মউ ফবা পুন্সি নুংশাংবা লৌমী অমা ওইনবগীদমক লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোকপীয়ু। ●